# রেল সার্ভিসশিং অমুক হৌনবা এম ঐচ এনা পেসেঞ্জর ট্রেনশিংগীদমক এস ও পি থোকখ্রে



***ন্যু দিল্লি, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
গভর্ণমেন্টনা পেসেঞ্জর ট্রেন সার্ভিসশিং অমুক হৌগদবগী নোংমগী মমাঙদা ট্রেনদা পেসেঞ্জরশিং অশোয়-অঙাম থোক্তনা চৎপা য়াহন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেন্দরদ ওপরেটিং প্রোটোকোল (এস ও পি) থোকখ্রে।

এস ও পিশিংদুগী মতুং ইন্না ট্রেন অদুগী পেসেঞ্জরশিং লোয়নন্না ড্রাইভরনা রেল ষ্টেসনদগী চখোক-চৎশিন তৌবা অমসুং রেলৱে ষ্টেসন অদুদা চংলকপা অদু, কনফার্ম তৌরবা ই-টিকেট অমখক্তদা অয়াবা পীগনি।

লাইওং লৈতবা মীওই খক্তমক ট্রেন তেংখৎপা য়াহনগনি। চৎলিঙৈ মনুং অসি রেলৱে ষ্টেসনশিংদা হেল্ঠ অমসুং হায়জিন প্রোটোকোলশিং অমসুং সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং চেৎনা ঙাক্কনি।

পেসেঞ্জর পূন্নমক ষ্টেসন অমসুং কোচশিংদা হেন্দ সেনিটাইজর পীগনি। মসিগী মথক্তা পেসেঞ্জর পূন্নমক চংলকপদা অমসুং চৎলিঙৈদা ফেস কোভরশিং, মাস্কশিং উপকদবনি। মখোয়গী লমথুংফমদা থুলবদা চৎলিবা পেসেঞ্জরশিং অদুনা থুংলিবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অদুনা থল্লিবা হেল্ঠ প্রোটোকোলশিংগুম্বা চেৎনা ঙাক্কদবনি।

হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়ার মিনিষ্ট্রি অমসুং হোম মিনিষ্ট্রিগা খন্নরগা রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা ট্রেনশিং চেনবগী অয়াম্বা পীগনি। বুক্কিং, পেসেঞ্জরশিংগী চংবা অমসুং চখোক - চৎশিন তৌবগী প্রোটোকোলশিং অমসুং কোচ সার্ভিস স্পেসিফিকেসনশিং রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা পাক শন্না খঙহন্নবা ফোঙগনি।

রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা মখোয়গী ষ্টাফ অমসুং পেসেঞ্জরশিংগীদক ইনফোর্মেসন, এদুকেসন অমসুং কম্ম্যুনিকেসন (আই ই সি)গী খূৎথাংদা হেল্ঠ এদভাইজরিশিং গাইদলাইন্স য়েঙ্হোক্কনি।

# শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন ৪৬৮না হৌজিক ফাওবদা মাইগ্রেন্ট লাক্ষ ৫ হেন্না পুখ্রে ঃ রেলৱেজ

***ন্যু দিল্লি, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
ইন্দিয়ান রেলৱেজনা মে ১দগী শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন ৪৬৮ চেনখ্রে অমসুং কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা থমখিবা লোকদাউন মরক্তা লৈবাকসিগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎপা য়াদনা পন্দুনা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট লাক্ষ ৫ হেন্না ময়ুম ময়ুমদা পুরকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রেন ৩৬৩না হান্নানা মখোয়গী পল্লুংফমদা য়ৌখ্রে। ট্রেন ১০৫না লম্বীদা লৈরি। হায়রিবা ট্রেন ৩৬৩ অসি অন্ধ্র প্রদেশতা ১, বিহারদা ১০০, হিমাচল প্রদেশতা ১, ঝরখন্দদা ২২, মধ্য প্রদেশতা ৩০, মহারাষ্ট্রদা ৩, ওরিষ্যদা ২৫, রাজস্থানদা ৪, টেলঙ্গনাদা ২, উত্তর প্রদেশদা ১৭২, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা ২, টমিল নাদুদা ১ চেন্দুনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা থুংখি।

ট্রেনশিং অসিনা টিরুচিরাপল্লি, টিটলাগর, বরাওনি, খান্দৱা, জগন্নাথপুর, খুরদা রোদ, প্রয়াগরাজ, সাপ্রা, বালিয়া, গয়া, পুরনিয়া, বরানসি, দরভঙ্গা, গোরখপুর, লক্ষ্ণৌ, জাউনপুর, হাতিয়া, বষ্টি, কাটিহার, দানাবুর মুজাফরপুর, সহরসানচিংবা সিটিশিংদা মাইগ্রেন্টশিং পুখ্রে।

হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎতগীদি শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন অসিগী অমমমনা হেক ওইথোকপা য়াবা মখৈ ৱার্করশিংবু ময়ুমদা থিন্নবা হৌজিক ১২০০ অসিগী মথক্তা পেসেঞ্জর ১৭০০ রোম পুরগনি।

শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন খুদিংমক কোচ ২৪ লৈ, কোচ অমমদা সিট ৭২ লৈ। হৌজিক ফাওবদা কোচ অমগী মনুংদা সুপ্পগী ৫৪ খক্তমক তোংগনি, ময়াই থংবা অদু পেসেঞ্জর অমত্তা তোংহল্লোই। অদুনা সোসিয়েল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকহনবা অখন্নবা থবকশিং অসিদা শেন কয়া চংখ্রবগে হায়বদু রেলৱেজনা হৌজিক ফাওবা লাওথোক্ত্রি। অদুবু ওফিসিয়েলশিংনা সার্ভিস অমদা লুপা লাক্ষ ৮০ রোম চংখ্রে হায়। রেল সার্ভিসশিং অসিগী মমল ৮৫ ঃ ১৫ রেসিওদা ষ্টেটশিংগা পুথোকমিন্নগনি হায়না হান্না গভর্ণমেন্টনা হায়খিবনি।

শ্রমিক স্পিসিয়েল ট্রেন সার্ভিসশিং হৌখিবা মতুংদা খ্বাইদগী হেন্না চেনবা হৌফম ওইবসি গুজরাততনি। মদুগী মথংদা কেরেলা লৈ। বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশনা থুংফমশিংগী মকোক্তা লৈ।

# পি এমগা সি এম শিংগগী মীফমদা মমতা বেনর্জি ঃ ‘হৌজিক অসি *পোলিটিক্স শান্নবগী* মতম নংতে’

***ন্যু দিল্লি, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ষ্টেট চীফ মিনিষ্টরশিংগা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা ঙসি পাংথোকখিবা ৫শুবা মীফম অদু ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমত বেনর্জিনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা সেন্টরবু পোলিটিক্স শান্নবগী অমসুং ষ্টেটশিংগী মরক্তা মীচং-মীখায় নাইবগী মরান শীরকখিবদগী থাজদবা মওং অমা ওনখ্রে।

সেন্টরনা স্ক্রিপ অমগী মতুং ইন্না থবক তৌরি, হৌজিক অসি পোলিটিক্স শান্নবগী মতম নংতে। কনাগুম্বা অমত্তনা ঐখোয়গী নাকন্দগী মত পীনবা হায়রকখিদে। ফেদরেল ষ্ট্রকচর অদু নম্ফুদা চল্লাইগনু হায়না মমতা বেনর্জিনা হায়খি।

লোকদাউনদগী তাঙ্কক নাইনা তোক্লবগী, মাইগ্রেন্টশিংগী ৱাফম অমসুং শেন-থুমগী ফিভমগী মতাংদা



খন্নবা মীফম অদু কৌখিবনি।

ঐখোয়না নখোয়বু কোওপরেট তৌরগা ঐখোয়বুদি নখোয়না করিগী এটেক তৌরিবনো। বেঙ্গল-বেঙ্গল-বেঙ্গল হায়না মতম পূম্বদা হায়রিবসি করিগীনো। করি মরমদা ক্রিটিসাইজ তৌরিবনো হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর অসিনা মীফম অদুদা হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লোকদাউন থুগাইবা অমসুং কোরোনাভাইরস নাবা মশীং লান্না হায়জিল্লি হায়বগী পাউশিংগী মতুংদা সেন্ট্রেল ওফিসিয়েলশিংগী টিম অমা মার্চ থাদা লাকখিবা মতম অদুদসু ৱেষ্ট বেঙ্গলগা সেন্টরগা মুক্নুখ্রবনি।

চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মখোয়গী লাকপগী মতাংদা ওফিসকী কাঙলোন মতুং ইন্না মঙোন্দা পাউ পীরকখিদে হায়দুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অশাওবা চিঠি অমা ইখি। মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনা কোরোনাভাইরসকী মায়োক্তা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিংগী মায়োক্তা সেন্ট্রেল টিম অদুগী এসেসমেন্টকীদমক মহাক্কী ষ্টেটপু খল্লিবা করিগীনা হায়না মহাক্না হায়খি।

মখোয়না ভাইরস থেংনবা হোৎনদুনা লৈরিঙৈদা সেন্টরনা ষ্টেট খরগা খৎনরি হায়না মহাক্কী লুচিংবশিংনা সেন্টরদা মরান শীখি।

# সোনিয়া গান্ধীনা টিকেটকী শেন পীখ্রবনি হায়না কোংগ্রেস এম এল এনা ট্রেন মথক্তা মাইগ্রেন্টশিংদা খঙহনখ্রে

***ন্যু দিল্লি, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়বা পঞ্জাবতা নোংমাইজিং নুমিৎতা মাইগ্রেন্টশিং পুবা স্পিসিয়েল ট্রেন অমা ষ্টেসন অমদগী থৌদোক্লকখিবদা পেসেঞ্জর অমমদা চেজাই অমমম য়েনখ্রে। নখোয়গী টিকেটকী মমল সোনিয়া গান্ধীনা পীখ্রে হায়না কোংগ্রেস এম এল এ অমনা ভন্টিন্দা ষ্টেসনদা য়েঙ্হোকখিবা চেজাই অমনা হায়খি।

এম এল এ অমরিন্দর রাজা ৱারিংনা বিহারগী মুজাফরপুর তন্না চৎখিগদবা মাইগ্রেন্টশিং অদুবু কোংগ্রেস ৱার্কর কাংবু অমগা লোয়নন্না থিন্দোকখি অমসুং মখোয়গী ভারা পীখিবা অদু কনানো খঙহন্নবা হোৎনখি।

মথৌ তারবা ৱার্কর অমসুং মাইগ্রেন্ট খুদিংমক তেংবাংনবা



কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা হৌখিবা চয়োলদা লাওথোকখিবা খোঙথাং অমদগী পোলিটিকেলগী তোংজবা লৌনবা হোৎনদুনা ট্রেন অদুনা চৎখিদ্রিঙৈ রেলৱে ষ্টেসন অদুদা এম এল এ অদুনা ৱা ঙাংখি।

নখোয়গী টিকেটকী মমল কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা পীখ্রে। কোংগ্রেস পার্টি, পঞ্জাব চীফ মিনিষ্টর অমরিন্দর সিংহ, ষ্টেট কোংগ্রেস চিফ সুনিল জাখরনা নখোয়বু থিন্দোক্লি। খুদিংমক চেজাই অসিদা ইরবনি। মদু নখোয়না খোঙচৎ অসিদা পোত্থাবা মতমদা পাউ হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেটর অদুনা হায়খি।

চেজাই অদুগী মিংথোল চাওরাক্না ‘কোংগ্রেসনা নখোয়গী মথৌ তারবা মতমদা লাক্লি’ হায়বসিনি।

কনাগুম্বা পোলিটিকেল লুচিংবা অমনা অসিগুম্বা কেম্পেন মখল অসিগীদমক ষ্টেসন অমদা লাকপসি মসিনা অহানবনি।

কোরোনাভাইরস লোকদাউনন্না পন্দুনা লৈহল্লবা মাইগ্রেন্টশিংবু মখোয়গী ময়ুমদা হলহন্নবগী টিকেটকীদমক শেল পীহনবা হায়বসি অৱাবগী মশক্লি হায়রদুনা সোনিয়া গান্ধীনা মাইগ্রেন্টশিংগীদমক ভরা অদু কোংগ্রেসনা পীগনি লাওথোকখিবনি।

কোন্না সেন্টরনা ভরাগী চাদা ৮৫ রেলৱে মিনিষ্ট্রিনা সবসিদাইজ তৌখ্রে অমসুং লেমহৌরিবা অদুনা ষ্টেটশিংনা পীগনি হায়না শেংদোকখি।

# শেন-থুমগী থবক চথবা অমুক হৌনবা রোদ অমসুং এয়ার ট্রান্সপোর্ট হাংদোকপা য়াহল্লু ঃ পি চিদম্বরম

***ন্যু দিল্লি, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
লম্বী অমসুং এয়ার ট্রান্সপোর্টনা ইকোনোমিক অমসুং কম্মর্সিয়েল এক্টিভিটিশিং ফজনা থবক হৌনবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি হায়রদুনা লম্বী অমসুং এয়ার ট্রান্সপোর্টকী ওপরেসন তৌবা য়াহন্নবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা সেনিয়ার কোংগ্রেস লিদর পি চিন্দম্বরমনা গভর্ণমেন্টতা আপিল তৌখ্রে।

মহাক্না খনগৎপা ইন্টর-ষ্টেট ট্রেন সার্ভিসশিং হৌনবগী



গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অদুবু তরান্না ওকখি। গভর্ণমেন্টনা লৈবাকসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খনগৎপা ষ্টেসন খরবু দিল্লিগা শন্নহন্নবা মে ১২দগী ট্রেন সার্ভিসশিং হৌনবা গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌখি।

সার্ভিসশিং অদুগী বুক্কিংশিংসু আই আর সি টি সিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌগদৌরি।

চেকশিননা ইন্টর-ষ্টেট পেসেঞ্জর ট্রেন চেনবা হৌনবগী গভর্ণমেন্টকী ৱারেপ অদুবু ঐখোয়না তরান্না ওকই। হায়রিবা চপ মান্নবা মওংগী হাংদোকপা অদু রোদ ট্রান্সপোর্ট অমসুং এয়ার ট্রান্সপোর্টতসু হৌগদবনি হায়না হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অদুনা হায়খি।

শেন-থুম অমসুং লল্লোন-ইতিককী থবক-ইনখাংশিং ফজনা হৌবা ঙন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীদি পেসেঞ্জরশিং অমসুং পোৎচৈশিংগীদমক রোদ, রেল অমসুং এয়ার সার্ভিসশিং হাংদোকপনি হায়না ত্বিটরদা মিষ্টর চিদম্বরমনা হায়খি।

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইদুনা চথরিবা মপুং ফাবা লোকদাউন অসিনা মরম ওইদুনা চপ লেপ্পুনা লৈহনখ্রবা শেন-থুমগী মরী লৈনবা থবক-ইনখাংশিংবু অমুক তৌবা হৌহন্নবা কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখি।

পার্টি অসিনা লাইরবশিংগীদমক রিলিফ পেক্কেজ অমা অমসুং ইন্দষ্ট্রিদা তেংবাংনবা ইকোনোমিক ষ্টিমুলস পেক্কেজ অমসু দিমান্দ তৌখি।

# এক্সরসাইজদা শোয়বদগী মিসাইল ১ কাপথোরকপদা ইরানগী সেলর ১৯ শিখ্রে

***টেহরান, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
গল্ফ ওফ ওমনদা নেভিগী এক্সরসাইজশিং মনুংদা মরুপ-মপাং ওইনা কাপ্পা মিসাইল অমনা লানগী জহাজ অমদা পানবগী এক্সিদেন্ট অমদা মীওই ১৯ শিরে হায়না ইরানগী আর্মিনা ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা জাস্ক অমসুং চাবাহারগী ঈশিং লমশিংদা নেভিগী জহাজ কয়ামরুন্না এক্সরসাইজ পাংথোক্লিঙৈগী মনুংদা কোনারাক লাইট সপ্পোর্ট ভেসেল অমদা এক্সিদেন্ট অমা থোকখি হায়না আর্মিগী ৱেবসাইদতা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

এক্সিদেন্ট অসিদা মীওই ১৯ শিখ্রে অমসুং ১৫ শোকখ্রে। গল্ফকী ঈশিং লমদমশিংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা উংখৎনবশিংগী মরক্তা নেভিগী এক্সরসাইজশিংদা মরুপ-মপাং ওইনা কাপলকপা মিসাইল



অমনা ইরানগী লানগী জহাজ অমদা পান্দুনা সেলর ১৯ শিখি হায়না ষ্টেট মেদিয়া অমসুং আর্মিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হায়খি।

অতোপ্পা ইরানগী লানগী জহাজনা কাপ্লকপা মিসাইল অদুনা কোনারাক জহাজ অদুদা পানখিবনি হায়না টাসনিম ন্যুজ এজেন্সিনা ইংলিস লোনগী ত্বিট অমদা হায়খি।

অশোকপা ১৫ অদু সিষ্টান অমসুং বালোচিষ্টানদা হোস্পিটালদা লায়েংখ্রে হায়না প্রোভিন্স অদুগী মেদিকেল য়ুনিভসিটিগী মকোক মুহম্মদ-মেহরান আমিনিফারদনা হায়খি।

কোনারাক অসি নেদরলেন্দসতা শাবা অমসুং ১৯৭৯গী ইস্লামিক রিভোলুসনগী মমাঙদা ইরাননা লৈখিবা লোজিষ্টিকেল সপ্পোর্ট জহাজ অমনি। মসি হেন্দিজান-ক্লাসকী জহাজনি, টোন ৪৪৭ লুম্মি, মিটর ৪৭ শাংই, ক্রুজ মিসাইল ৪ পাল্লি।

# পাকিষ্টানদা প্লাজমা থেরাপিদগী অনাবা ফখ্রে, য়ু কেনা জুন ১ ফাওবা লোকদাউন শাংদোকখ্রে

***লন্দন, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
মরকসিদা প্লাজমা থেরাপি তৌবদা পাকিষ্টানদা অনাবা অমা কোভিদ-১৯ নারম্বদগী ফখ্রে হায়রি।

পাকিষ্টানদা অহানবা ওইনা করাচিদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা কনভালেসন্ট প্লাজমা থেরাপি চথবদা কোরোনাভাইরস অনাবা অমা ফগৎলকখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা হেল্ঠ এক্সপার্ট অমনা হায়খি।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা অনাবা অদু হৌখিবা চয়োলদা কনভালেসেন্ট প্লাজমা থেরাপি পীখিবনি। লায়েং অদু চখরবা মতুং নুমিৎ ৭নিগী মতুংদা হায়বদি মহৌশানা চয়োল ২গী মতম হায়বদুগী য়ৌদ্রিঙৈ মমাঙ ফাওবদা অনাবা অদু নাবা ফখ্রে হায়না নেসনেল ইনষ্টিট্যুট ওফ ব্লদ দিজিজেজগী মকোক টাহির শামসিনা হায়খি।

মীওই অদুগী মশক ফোঙদোক্তনা মহাক্না প্লাজমা থেরাপিনা লায়েংবা অহানবা অনাবা অদু নাবা ফখ্রে হায়খি।

নাকন অমরোমদনা য়ুনাইটেদ কিংদম্না জুন ১ ফাওবা কোরোনাভাইরস লোকদাউন শাংদোকখ্রে। চয়োল ৪গী মমাঙদা থমখিবা অথিংবশিং চেকশিনবগা লোয়নন্না লৌথোক্লবগী থৌরাংশিং ফোঙদোক্লদুনা বৃটিস প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সনা নোংমাইজিং নুমিৎতা কোরোনাভাইরস লোকদাউ য়ামদ্রবদা জুন ১ ফাওবা লৈখিগনি হায়খি।

চয়োল অসিদা লোকদাউন অদু ইচম-চন্না লোইশিনবগী মতম নৎত্রি হায়না টেলিভিজনদা পীবা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি। অদুবু প্রাইমারি স্কুল অঙাং খরা অমসুং দুকানশিং জুন ১দগী অমুক হল্লকপা অমসুং হাংবা য়ারগনি হায়না মখা তাখি।

জুলাই ১দগী মীয়ামগী পূনফম খরা অমুক হন্না হংদোক্লবা য়াই অদুবু বৃটেনদা লাকপা এয়ার পেসেঞ্জরশিং ক্বারেন্টিনগী কাঙলোনশিং চথগদবনি হায়না জোন্সনন্না ৱার্নিং তৌখি।

লোকদাউন অসিদগী থোরক্লবগী লাপ্লোং অদু য়াৎথোক্লবা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা কন্না তক্সিনরকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী হেক মথংদা অমসুং য়ুরোপকী খ্বাইদগী শাথিবা ওইনা বৃটেনদা লাইচৎ অসিদা মীওই ৩২,০০০রোম শিখি।

# বোম ৪ থংন-থংননা পোকখায়বদা কাবুল নীকখ্রে

***কাবুল, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
অফগানিষ্টান কোনুং কাবুলগী অৱাং থংবা দিষ্ট্রিক্ট অমদা থংন-থংননা লম্বী নাকনগী বোম ৪ পোকখায়বদা কাবুল নীকখ্রে। অঙাং ১ য়াওনা মীচম ৪ শোকখ্রে।

লম্বীদা বোম এটেকশিং তৌরকখিবা মফম অদুদা শেংদোক্লবগী টিম অমা থাখ্রে হায়না কাবুল পুলিসকী ৱাঙাংলোই হেরদৌস ফরামরজনা হায়খি।

টেরোরিষ্টশিংনা লম্বী নাকন্দা বোম পোকখায়হন্দুনা অমসুং রোকেটশিং কাপ্পুনা কাবুল অমসুং লৈবাকসিগী অতৈ মফমদা হন্দক চয়োল খরসিদা এটেক কয়ামরুম তৌরকখি।

অদুবু ঙসি নিংথৌকাবা নুমিৎকী থংন-থংননা বোম ৪ পোকখায়বা অসিদি থা খরগীদমক্তি অহানবা অমগা অমগা মরী লৈনবা এটেক মাল্লি।

লৈবাক অসিদা শান্তি লাক্লবগী লম্বী ফাৎনবা ওইনা ফেব্রুৱারিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা শীংথানিঙাই ওইবা লান্মী লৌথোকপগী দিল অমা টালিবানন্না সহি তৌনখিবা মতুংদগী সিটি অসিদা কাঙলূপ অসিনা অচৌবা এটেকশিং অমত্তা তৌখিদ্রবনি।

ঙসিগী এটেকশিং অদু লূপ অমত্তনা মখোয়গী থবক্লি ফোঙদোক্লরক্ত্রি। লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরস শন্দোকপা লাক্সিন্নবা কোনুং অসিদা লোকদাউন অমা থন্নবা ওথোরিটিজনা হোৎনরিঙৈ বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং অদু থোক্লকখিবনি।

# বাংলাদেশতা কোভিদ-১৯ অনাবা ১৪,৬৫৭ শুরে

***ধাকা, মে, ১১ (এজেন্সি)ঃ***
বাংলাদেশতা কোরোনাভাইরসনা নাবদগী মীওই ১৪ অমগা শিখ্রে অমসুং হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা রেকোর্দ ওইনা কোভিদ-১৯না ৮৮৭ নাদুনা অনাবগী মশীং পূন্না ১৪,৬৫৭ শুরে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা পুং ২৪দা কোভিদ-১৯না নাবা অনাবা ১৪ অমগা শিখিদুনা পান্দেমিক অসিদগী শিবগী অপুনবা মশীং ২২৮ য়ৌরে হায়না দাইরেক্টোরেট জেনরেল ওফ হেল্ঠ সার্ভিসেস (দি জি ঐচ এস) এদিসনেল দাইরেক্টর জেনরেল নাসিমা সুলতানানা হায়খি।

ভর্চুয়েল প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা ওথোরাইজ লেবোরেটরি ৩৬তা সেম্পল ৫,৭৩৮ একজামিন তৌরবা তুংদা অনৌবা অনাবশিং অদু খঙলকখিবনি।

কোভিদ-১৯না নাবা অহানবা অদু থেংনখিবগী নুমিৎ ১০নিগী মতুং, মার্চ ১৮দা লাইচৎ অসিদগী বাংলাদেশতা অহানবা ওইনা মীওই ১ শিখি।

মরকসিদা বাংলাদেশতা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী মতম অসিগী মতোনলোম্বা অদু মেগী ৩শুবা চয়োলদা ওইরবা য়াই হায়না হেল্ঠ এক্সপার্টশিংনা মাঙজৌননা ফোঙদোকখ্রে।

জুনগী অরোইবদগীদি অনাবগী মশীং চাওনা হন্থরক্লগনি। ঐখোয়গী টিমনা কোভিদ-১৯ নাবা মশীং ৫০,০০০ হেনবা য়াবা মেগী ৩শুবা চয়োলনা কোভিদ-১৯গী অরোইবা মতোন ওইগনি হায়না মাঙজৌননা হায়রি হায়না বাংলাদেশতা মালেমগী লাইচৎ অসিগী মওং মরিন নৈনবা গভর্ণমেন্টনা হাপখিবা হেল্ঠ এক্সপার্টস টিম অমগী মেম্বর ডোক্টর শাহ মোনির হুশেননা হায়খি।

হান্নগী দি জি ঐচ এস দাইরেক্টর জেনরেল অমসুং মেম্বর ৮গী কমিটি মেম্বর ওইরিবা ডোক্টর হুশেননা হায়খি, মখোয়গী এনালাইসিস মতুং ইন্না খমথেংবা মতোলগী মতম অদু মখা রোমদা কুমথরকপগী মওং উদ্রিঙৈগী মমাঙ জুনগী অহানবা চয়োল ফাওবা মখা চথখিগনি।

জুনগী লোইশিল্লকপদদি কোভিদ-১৯ নাবা শাথিনা হন্থরক্লগনি হায়না মেথমেটিকেল মেথদশিং অমসুং ইপিদেমিওলোজিকেল ফোর্মুলাশিংদা য়ুমফম ওইবা এনালাইসিস অদু শন্দোক্লা তাক্লদুনা মহাক্না হায়খি।

দি জি ঐচ এস দাইরেক্টর জেনরেল প্রোফেসার অবুল কলাম অজাদনা কমিটিগী মাঙজৌনবা ৱাফম অদু অমুক হন্না ফোঙদোকখি অমসুং জুনগী অথেংবগী মতুং ফাওবদা ঐখোয়না পান্দেমিক অসি লোয়নমক মুথৎনবা মতম খরগা হেন্না ঙাইবা তাই হায়খি।

সনা-সুদোকু – ৪৬১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | 2 | 6 | 1 | 4 | 3 | 7 | 9 | 8 |
| 1 | 9 | 8 | 5 | 6 | 7 | 3 | 4 | 2 |
| 7 | 4 | 3 | 9 | 2 | 8 | 5 | 6 | 1 |
| 2 | 8 | 1 | 3 | 9 | 4 | 6 | 7 | 5 |
| 3 | 7 | 4 | 6 | 1 | 5 | 8 | 2 | 9 |
| 6 | 5 | 9 | 8 | 7 | 2 | 4 | 1 | 3 |
| 9 | 3 | 7 | 2 | 5 | 6 | 1 | 8 | 4 |
| 4 | 1 | 5 | 7 | 8 | 9 | 2 | 3 | 6 |
| 8 | 6 | 2 | 4 | 3 | 1 | 9 | 5 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-462**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | 7 | | 1 | | | 4 |
| 1 | | | | 3 | 2 | | | 8 |
| | 7 | | | | 8 | 1 | 2 | |
| | 8 | | | | 5 | | 1 | 3 |
| | 3 | | | 8 | | 5 | | 2 |
| 7 | 5 | 2 | | | 6 | | | |
| 2 | | 8 | | 5 | | 3 | | |
| 5 | | | 8 | | | 2 | | |
| | | 3 | 2 | | | | 5 | |


## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 20/02/20
Valid : 07/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 9089709738/ 7005204180

**Canchi Service Indane**
Booking : 20/02/20
Valid : 18/02/20
Home Delivery Contact No.- Kwakeithal- 8794191632
Naorem Leikai- 7085732827
For Booking Contact
Time : 08.00 to 12 Noon

**Ericha Indane**
Booking : 22/02/20
Valid : 16/02/20
Stk. : 306
Home Delivery Only
Contact No.- 03852434026
Working Hour
Time : 08.00 to 12 Noon

**Hiyangthang Indane**
Booking : 14/02/20
Valid : 13/02/20
Time : 07.30 to 10.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 6009260971/ 6381538861

**Hrangchal Gas**
Booking : 28/02/20
Valid : 27/02/20
Time : 08.00 to 12 Noon
Booking 0385-2444677
Enquary -9089024365
(Call / Whatsapp)

**J. Rongmei Indane**
Booking : 17/02/20
Valid : 15/02/20
Stk : 306
Time : 06.00 to 09.00 a.m.
Home Delivery Contact No. - 6909963855/ 9774314973
(Blue card Hanna Pisinbiyu)

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Home Delivery Only
Booking : 16/02/20
Valid : 03/02/20
Home Delivery Contact No.- 7085412119/ 7085411559
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 25/02/20
Sl. No. : 300
Home Delivery Contact No.- 7005771527/ 9774679422
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Leibaklei Gas, Kakching**
Booking : 28/02/20
Valid : 16/12/19
Stk : 612
Home Delivery Contact No.- 9862836403/ 8415050488/ 9366075820

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 21/02/20
Valid : 13/02/20
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 Noon
Contact No. - 1. Delip- 6909152567/ 9612883295 (Moirang A/C)
2. Ajay- 7005667570 (Thanga A/C)
3. Rojen - 8787381746 (Kumbi A/C)
Booking Contact No. - 708597224

**Manipur Gas**
Booking : 28/02/20
Valid : 04/02/20
Time : 07.30 to 11.00 a.m.
Home Delivery Contact No.- 8730954041/ 8259969582

**Misao Gas Service**
Only Home Delivery
Booking : 17/03/20
Valid : 27/02/20
For Dellevery Service Please Contact -7085738631/ 8119967523- Call Timing : 08.00 to 04.00 p.m.

**Porompat Indane**
Booking : 05/02/20
Valid : 27/01/20
Stk : 306
Queries - 9366184547
Cont Time : 08.00 to 12 Noon

**R B D Indane**
Booking : 25/02/20
Valid : 15/02/20
Stk. : 617
Home Delivery Only
Refill Order & Enquary 7629947172
Booking No- 7629947182